**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-10-2023)**

**সিএম(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা পায়খৎকদবা ইম্ফাল সিটিগী ইন্টিগ্রেটেদ সিৱরেজ সিষ্টেম নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হৌদোক্লগনি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ মিনিট ১৫ তাবা মতমদা মুখ্য মন্ত্রিনা প্রোজেক্ট অসি হৌদোকপগা লোয়ননা লৈতৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী মখাদা অবার্ন এরিয়াশিংদা ঈচাউ হন্থহন্দুনা তুং কোইনা ঈশিং ফংহন্নবা অমদি ইকো টুরিজম চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা লমফেলপাৎ ৱাটর বোদি শেমজিন শাজিনবগী প্রোজেক্টসু হৌদোক্কনি।

**স্কুল(এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদুকেসন (স্কুল) না মনিপুরদা লৈরিবা সরকারগী, এদেদ অমদি প্রাইভেট স্কুলশিং ঙসিদগী মহৌশাগুম স্কুল হাংদোক্লগনি হায়না খঙহল্লক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ইদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর এল.নন্দাকুমারনা ঙরাং ওদর অমা থোকখ্রে।

**পুলিস (এল)ঃ** হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী মফম খরদা নোংমৈ কাপশিনবা, লন-থুম অমাং অতা থোকহনবা অমদি মীয়ামনা খোঙজং চংশিনখি। অদুমওইনমক, ইরাং অদু রাজ্য পুলিসনা মতম চানা লাকশিনবা ঙমখি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-লোকেল পাউ-চে খরদা কৈথেলমানবীদা মশক খঙদবশিংনা মীতৈগী য়ুম মৈ থাদুনা অমাং অতা

থোকহল্লে হায়বগী পাউ ফোংলকপা থেংনবদগী পুলিসনা মফম অদুদা চংশিনদুনা য়েংশিনখি। মদুদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা মৈ থারক্লিবা অদু মীতৈ ইমুংগী শিজিন্নবা পৈদুনা থম্বা মৈ থানবা শিং ওইরমখি। থৌদোক থোকফম অদুদা দি.আই.জি. রেঞ্জ ৱান-এন. হেরোজিৎ সিংহ অমদি কাংপোকপীগী এস.পি. মনোজ প্রভাকরনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি। লোয়ননা মফম অদুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। মখা তানা মফম অদুদা সিভিল পুলিস, সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ, অসাম রাইফলস অমদি আর্মিগী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগা থবক চথুখি।

অমরোমদা, হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা থৌবাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাগী তায়নবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি।

**ট্রান্সফর(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোমস (পার্সোনেল দিভিজন) গী জোইন্ট সেক্রেটরি-লাইশ্রম রাধাকান্তনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না আই.পি.এস. অমসুং এম.পি.এস. ওফিসার অনি নৌনা ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিং পীখ্রে।

নৌনা ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিং পীখ্রবা ওফিসার অনি অদুদি-ইম্ফাল ইষ্টকী এস.পি. ওইনা পুরম্বা আই.পি.এস. ওফিসার-কে.এস.ঐচ. শিবাকান্তবুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি. অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি. ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরম্বা এম.পি.এস. ডা: এস. ইবোমচানা ইম্ফাল ইষ্টকী এস.পি. ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরগনি হায়রি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি ।

বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু

কোমথোক্লি।

**দিএম(এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী এম.এ. ফার্ষ্ট সিমিস্তর-২০২৩-২৪ ইংলিসকী এন্ত্রান্স টেষ্ট লাক্লিবা ওক্তোবর ৮ দা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা পরিক্ষা অসি দি.এম. কলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালগী প্রিমাইসেসতা অয়ুক পুং ১১ মখায় তাবা মতমদগী হৌগনি হায়রি।

**এময়ু(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্পোর্টস কমিতিগী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীফমনা চৎলিবা চহি ২০২৩-২৪ গী ওইনা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ টুর্নামেন্ট পাঙথোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা চথ্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি। টুর্নামেন্টকী মতম অসি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভরসিটিজ-ন্যু দিল্লিগী পাউতাক মতুং ইন্না লেপখিবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙরাং রাজস্থান অমদি মধ্য প্রদেশতা লুপা কোতি লিশিং ১৭,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্ট খরনা যাত্রা হুনখি, খরনা শঙ্গাখি।

প্রধান মন্ত্রিনা জয়পুর সহরদা লুপা কোতি লিশিং ৫ চংনা পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া য়াত্রা হুনখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা- শিক্ষা, লম্বী, রেল ষ্টেসন, হকশেল অমসুং এয়ারপোর্টনচিংবা য়াওরি। শ্রী মোদিনা জোধপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) তা ফুমং ৩৫০ লৈগদবা ত্রোমা সেন্তর এন্দ ক্রিতিকেল কেয়ার হোস্পিতাল ব্লোক অমসুং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ৭ তা প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত হেলথ ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিসনগী মখাদা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোকশিংগী যাত্রাসু হুনখি।

মসিগী তুংদা, শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১,১৩৫ চংনা শাবা ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ টেকোলোজি (আই.আই.টি) জোধপুর কেম্পস অমসুং সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতি ওফ রাজস্থানদা নৌনা শাবা সেন্ত্রেল ইন্সত্রুমেন্টেসন লেবোরেটরি, যোগ অমসুং স্পোর্টসকী সাইন্স বিল্ডিং মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

**ক্রিকেটঃ** আই.সি.সি. মেন্স ও.দি.আই. ৱার্ল্ড কপ-২০২৩ ঙরাংদগী গুজরাটকী অহমেদবাদতা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

অহানবা মেটচ ওইনা ইংলেন্দ অমসুং ন্যুজিলেন্দ শান্নখি। ইংলেন্দনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপিবা ওবর ৫০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৮২ লোখি। মদুগী পাউখুমদা ন্যুজিলেন্দ ওভর ৩৬ বোল অনিদা রন-২৮৩ লৌদুনা মায় পাকখি।

ভারতকী অহানবা মেটচ ওষ্ট্রেলিয়াগা চেন্নাইগী এম.এ. চিদম্বরবম ষ্টেদিয়মদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মনিপুর ক্রাইসিষ্টকী মতাংদা ওপোজিসন পার্টি ১০ গী কনভেন্সন পাঙথোকখিবা, কৈথেলমানবীদা ষ্টেট ফোর্সকা নোংমৈ কাপ খিবগী পাউ অমদি মোবাইল ইন্টরনেট য়াহনদবগী ইকোনোমিক ব্লোকেড হৌখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা-ইরাং লৈহন্দনবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা পোলিটিকেল পার্টি ১০ গী কমিতি শেমখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক গভরমেন্ট লৈতবগা মান্নরে হায়না সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, ঈচেল এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা

লৈবাক, পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

খুৎথাং চরা হেনবগী খোঙজং লেপ্তুনা চথুরি হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। মোবাইল ইন্টরনেট য়াহনদবগী ইকোনোমিক ব্লোকেড হৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি। পাউ অসি সনা লৈবাক অমদি পিপলস ক্রোনিকল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমদি গানফিয়ু মেলদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ৱারোই পুরকবা পার্টি তরানা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। খুৎলায় পায়বশিংনা মীতৈ খুলদা এট্টেক চথখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ব্রিন্দা অমসুং বাল্লু বোইকোট তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপশিল্লকখিবা আইতিফোর এম.এম. মোটার সেল দিসপোজ তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। আর.টি.আই. এক্ট লান্না শিজিন্নবীগনু, এক্ট অসি চাউখৎ মায়কৈদা শিজিন্নসি হায়না ৱাটর রিছোর্স মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

য়েকবা থেংননবা হোৎনবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল রাজনিতিগী ইথিল চংনদুনা মুকরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়বা ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. রামেশ্বরগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-কৈথেলমানবীগী মতুংদা খুৎলায় পায়বশিংনা কুম্বীগী লাইঙৌবীদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। বোম কাপশিল্লকপগীদমক মোইদাংপোক্কী নুপীশিং মৈ হৌনা শাউখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীয়ামদা খম থেংনা ৱাহল্লে, কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান হৌরকপা অমসুং লৈঙাকা ইন্টরনেট

সার্ভিস থিংজিনবদগী কোরিয়র সার্ভিসশিং মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুরগী সাসন সেন্টরনা তৌরব্রা, অদু ওইরগা আর্টিকল ৩৫৫ চৎনরে হায়না লাউথোক্লো হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ও. ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। কৈথেলমানবীদা ষ্টেট ফোর্সকা নোংমৈ কাপখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ৱাখল্লোন মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০ গী মীফম পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিনা মনিপুরগী ইরাং অসিদা তুমিন্না লৈশিনবগী মরম হংল্লক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট-বাব্লু লৈতোংবমগী য়ুম মশক খঙদবশিংনা অকায় অতোয় থোকহল্লল্লে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সনা লৈবাক্তা-রিং রোড শেন্বা নবেম্বর থাদগী হৌগদৌরি। রিং রোড লম্বীসিদা লৈহনগদবা মচাক মথুম শেমগৎপদনা হেন্না শেল থাদগদৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ৱার্টর রিছোর্স মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা চয়োল অমা চুপা চত্থগদবা আর.টি.আই. ৱিক হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।